নেস্নেল ইলেক্ট্রিসিটি পোলিসি মণিপুরদসু চৎনহন্নবা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ ঃ মণিপুর স্টেট অসিগী দোমেস্টিক পৱার কঞ্জুমরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মরুওইনা নোংমদা পুং ৪ / ৫ দগী হেন্না মৈ ফংদবগী অৱাবা অসি খরা মখৈ কোকহনবা ঙম্নবা নোংমদা পুং ২৪ পৱার মৈ পীনবা থৌরাংদা ভারত সরকারনা শেমখিবা নেসনেল ইলেক্ট্রিসিটি পোলিসি, আর জি জি ভি ৱাই, আর–এ পি দি আর পিনচিংবা মণিপুরদসু চৎনহন্নবা ভারতকী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিদা অইবা চেরোল অমা পীদুনা হায়জখ্রে।

ভিজন ফাউন্দেসন মণিপুরগী চেয়ারমেন কাম্বম সৈত্যজিৎনা চহি তৌদুনা ঙসি প্রসিদেন্টকী ইম্ফাল কেম্পতা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা স্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা পৱার সপ্লাইকী ফিভম ময়েক শেংনা খঙহনখি।

দোমেস্টিক কঞ্জুমরশিংনা নোংমদা পুং ৪ / ৫ দগী হেন্না মৈ ফংবা ঙমদবতা নত্তনা ইন্দস্ট্রিয়েল য়ুনিট কয়া অমসু মতৌ তৌবা ঙমদনা লৈরক্লিবা অসি চহি ১৫ রোম শুরে। ফিভম অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদনা হেন্না শাথিরি। মরম অদুনা নোংমদা পুং ২৪ পৱার সপ্লাই ফংহন্নবগী থৌরাং অদু মণিপুরদসু চৎনহনবীয়ু হায়না প্রসিদেন্টকী পুক্নিং চিংশিনখি।

মণিপুর সরকারনা চৎলিবা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি থাদগী হৌনা পৱার রিফোর্ম তৌবা হৌখ্রে। মদুগী মতুং ইন্না পৱার দিপার্টমেন্টপু অনি থোক্না খাইদোক্লগা কম্পেনি অমনা পায়খ্রে। কোর্পোরেসনগী মখাদা জেনরেসন অমসুং ট্রান্সমিসন সিষ্টেমনা কম্পেনি অমনা অদুগা দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমনা কম্পেনি অমনা হায়রি।

তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি।

ঙক্লিবা অমদি মণিপুরগী ইনরজিৎগী পার কেপিটা কঞ্জুমসন অসি ২০১২–১৩ দা শুপ্নগী য়ুনিট ১৪০ গী মখাদনি। মসি ২০০৯–১০ দদি য়ুনিট ১৪৮ ওইরম্বনি। পার কেপিটা কঞ্জুমসন অসি নেসনেল লেভেলগীদি য়ুনিট ৬৮৪ ওইরি। ইং ২০১০ দদি ৬১৬ ওইরম্বনি। অদুনা স্টেট অসিগী পার কেপিটা কঞ্জুমসন অসি নেসনেল লেভেলদগী য়াম্না নেম্না লৈ।

অমরোমদা স্টেট অসিগী ১৩২ কে ভি মথক্কী ট্রান্সমিসন লাইনশিং অসি এন ই গ্রিদ নত্রগা নেসনেল গ্রিদকা শম্নরিবনি। অপীকপা স্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা মৈগী ফিভম অসি অশুক্কী মতিক খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। অদুনা অথুবা মতমদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনবীনবা অমসুং মণিপুর সরকারদা চপ চাবা দিরেক্সন পীবীনবা চেরোল অদুনা মখা না হায়জখি।

য়ৈখাই থিনগাইবা তোয়না থোকপদগী ৪০০ কে ভি, দি / সিগী সিলচর ইম্ফাল ট্রান্সমিসন লাইন মতম চানা লোইশিনবা ঙমদ্রি। অদুনা পৱার গ্রিদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ট্রান্সমিসন লাইন অসি লোইশিন্নবগী মতমসু য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি। হৌজিক নোংজু মমাংদা লোইশিনগনিদি হায়রি। অদুবু থাজনিংঙাইদি ওইদে। মরুওইরিবদি কিলোমিটর ৪০ রোম শাংবা লাইন অসিগী তৱার ১৩১ শেমগদবা মফম অদু হৌখিবা দিসেম্বর থা ফাওবদা চপ চানা লেপথোকপা ঙমখিদে। মদুগী মরুওইবা মরমদি অখুবা রাজনীতিগী মীৎয়েংদা নাগা অমসুং কুকি গ্রুপশিংনা মখোয় মখোয়গী এরিয়াদা য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া পীরকপদগীনি হায়নসু পল্লি।

মেঘলয়াদা মোদিফাইদ ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম অথুবদা চৎনরগনি

শিল্লোং, এপ্রিল ২৯ ঃ মেঘলয়াদা আই এল পি চৎনহল্লু হায়না দাবী তৌরিবা ওর্গনাইজেসন ১৩ গী মীহুৎশিংগা মেঘলয়াগী মুকুল সংমাগী সরকারগা য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা স্টেটসিদা শেমদোক শেমজিন তৌরবা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম অমা চৎহনবদা য়ানখ্রে হায়রি।

নিউমাই নিউজ নেটৱার্কতগী ফংবগী পাউ অমনা মখা তারিবদি ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমদা দাবী তকশিল্লিবশিংগী মায়কৈদগী লমায় ৬ পানবা সজেসন অমা সরকারগী মায়কৈদা পীশিনখি। মদুদা সরকারনা মখোয়না পীরিবা সজেসন অদু নিংথিনা য়েংশিন্দুনা খন্নবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীফম অমা অথুবা মতমদা কৌরক্কনি হায়বা থাজবা পীখি। মীফমদুদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরনা অমনা ফোঙদোরকপদা আই এল পি দগী হেন্না ফগদবা মওংগী সিষ্টেম অমা শেম্লগনি হায়খি।

নিংশিংবা য়াই স্টেট অসিদা আই এল পি চৎনহল্লু হায়না ওর্গনাইজেসন ১৩ গী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লম্বা তুংদা খৃষ্টমাসকী য়েংদুনা মখোয়গী খোঙজং অদু ঈংথদুনা লৈখিবনি। খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে এস য়ু), এফ কে জে জি পি, ঐচ এন ৱাই এফ, গারো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (জি এস য়ু), জে এস এস য়ু, সি এস দব্লিউ ও, কে দব্লিউ দব্লিউ এ দি এ, এ দি ই অমসুং আর বি ৱাই এফকী অপুনবা ওর্গনাইজেন অমনা মমাং চহিগী আগষ্ট ২৯ দা মুকুল সংমাগী সরকারগা ৱারী শানবদা য়ানবা ঙমদবদগী বন্দ, ওফিস থিংজিনবা, অমদি ব্লোকেদনচিংবা কয়া তৌদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুনা ইষ্টর্ন বেঙ্গল ফ্রন্টিয়ার রিগুলেসন এক্ট, ১৮৭৩ গা চপ মান্নবা সিষ্টেম অমা খুদক্তা চৎহন্দুনা স্টেটসিদা আইন্না কায়না চঙশিল্লিক্লিবা মীতোপশিং থিংঙু হায়না তকশিনখিবনি।

খোঙজঙ চঙশিল্লিবশিংনা মরুওইনা তাল্লিবা দাবিদি দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর বিন্দো এম লালোংনা লুচিংবা হায় লেভেল কম্মিটিনা মীতোপ চঙশিল্লিকপগী মতাংদা পীরকপা রিকমেন্দেসন অদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা অথুবা মতমদা আই এল পি চৎনগদবনি হায়বসিনি। অদুবু সরকারনা ৱাফম অদু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক প্রোসেস তৌরিবা মেঘলয়া রিগুলেসন ওফ লেন্দলোরদস এন্দ ভেরিফিকেসন ওফ তেনান্টস বিল হৌদোক্লবা ৱাফম পুখৎলকখিবা লৈখিবনি।

লমাই ১গী মখা

মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে

ৱাফম মমাংদা কোরকোমগী চেরোল অমনা ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

কোরকোম্না ঙসি কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা লম্বীদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা থোক্লক্তুনা চৎনখিদ্রে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল খুন্তাক লানশিবগা চপ মান্নখ্রে। নুংতিগী পাংথোক্লম্বা লল্লোন ইতিক্কী থবক পুম্নমক চপ লেপখি। নুংতিগী ইম্ফাল তম্না লাক্লবা মখল অমত্তগী গাড়িশিং চেন্নখিদ্রে।

ইম্ফাল সহর খত্তাদা খুন্তাক লানশিবগী মথক্তা মরু ওইনা ইম্ফালদগী কাঞ্চিপুর তাবা অমদি কৈশাম্পাৎতগী টুলিহল এয়ারপোর্ট তাবা অচৌবা লম্বীশিং প্রসিদেন্টকী খোঙচৎকা মরী লৈননা অশাংবা ৱা শিজিন্নদুনা লম্বী থিংজিনবগী থৌওং চথবা মরম্না প্রজা অমত্তা লম্বীদা থোক্লখিদ্রে।

লম্বীদা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা মীওই অমত্তা উবা ফংখিদ্রে। লোয়ননা সরকারগী লোয়শঙশিংদা থবক কাবগী চাং য়াম্না নেমখি। ইম্ফাল সহরগী মনুংদা লৈবা স্কুল কলেজ অমত্তা থোং হাংনখিদ্রে।

সঞ্জেঙ্থোংগী অথিংবা ঙরাংদি কোমথোককখ্রে

লৈরিবা লম্বীগী লৈমাইগা কা–হেন্না অনেম অৱাংগী খেন্নরিবা মরম্না লম্বী অসিদা লৈবাক থোন্দুনা গাড়ি চৎপা য়ানবা শেম শাবগী মথৌ তারি। থোং অসি মণিপুর সরকারনা লাক্লিবা মে থাগী ১০ দা শঙ্গানবা হোৎনরিবা থোংনি। মরম অসিনা শঞ্জেঙ্থোংদা নোংমদা চৎলিবা ট্রফিক্কী ভোল্যুম অসি মণিপুর সরকারনা নিংথিনা নৈনদুনা থোং অসিগী নাক য়েত্তা লৈরিবা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা লৈরিবা থোংশিংগী ফিভম নিংথিনা য়েংশিনবগী মথৌ তারি।

[illegible]

[illegible]

শায়েংজরি DUTTA CLINIC শায়েংজরি

উনসাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্ট্রিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং ম্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

অঙৌবা পকপা :

তাং-তাং চিকপা :

দাইবেটিসকী প্রোব্লেম :

নুংশং :

গ্যাষ্ট্রিকী প্রোব্লেম :

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবীয়ু!

নুপাগী প্রোব্লেম :

নুপীগী প্রোব্লেম :

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম

শমগী প্রোব্লেম

[illegible]

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)

HOMEO & UNANI MEDICINE

Khoyathong Christian Literature House Building

Thangal Bazar Road Khoyathong Imphal

আর টি আইদা পৈশা তানবা কয়া লৈরে

প্রজাশিংনা ফোংদোরকপদা প্রজাশিংগীদমক থবক য়াম্না তৌবা শারগা সোসিয়েল ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীওইশিংনা তিন্নরগা খুদোংচাবা লৌদুনা প্রজাশিংগী রাইট টু ইনফোর্মেসনবু নমথাক তৌদুনা লৌথোক্লিবা শেনফমশিং অসি কনানা লৌবনো হায়বদু থিগৎপীয়ু হায়রি।

সো মিলদগী ফাখিবা মচিন মনাও থাদোরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ ঃ হৌখিবা এপ্রিল ২৪ গী নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা য়াইরিপোক্কী লৈরোংথেল পিত্রদা লৈবা রোমানজিৎ সো মিল দগী শকখঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা ফাদুনা পুখিবা মচিন মনাও অনি ঙরাং অহিং অথেংবদা থাদোরক্লে।

সো মিল অসিদা শিন্মী ওইনা লৈরিবা হুইকপ মখা লৈকাইদগী সনসম ইন্দ্রজিৎ (৩৮) অপোকপা সনসম অঙৌবী অমদি মহাক্কী মনাওনুপা সনসম ইনাও (২৫) শকখঙদবা খুৎলাই পায়বা মীওই ৪ রোমনা ফাদুনা পুখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবনি।

পুলিসতগী ফংবা পাউদা শিন্মী অনি অসি ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা খোরিপোক হায়না খঙনবা মফম অমদা থোদোক্লমখি। করি মরমগীদমক মখোয়বু ফারিবনো অমদি করম্না করিদা য়ানবা পুরক্কুনা মখোয়বু থাদোক্লম্বনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা খঙদ্রি। সো মিল অসিগী প্রোপ্রাইটর সোরাইসম রোমানজিৎনা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্দা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্নদি মঙোন্দা কনাগুম্বা লুপ অমত্তনা শেলগী দিমান্দ তৌরকখিবা লৈতে হায়রি।

লমাই ১গী মখা

অনৌবা ৱাখল্লোন্না শেমখিবা আর কে এস এস গ্রুপনা...

পুথোক পুশিন তৌই। উপাই অমা হেক্তা তৌদুনা অয়ুক্তা পাউ ফাওনবা নৎত্রগা নুমিদাং পোৎ য়োনবা লোইশিন্দুনা য়ুম য়ুমদা হন্নরমদাই মতমদা মথংগী নুমিৎতা করম্বা মফমদা চত্নুনা পোৎ য়োনসিগে হায়বদু লেপ্লে। অয়ুকী চাকতি হোটেল থিদুনা চাই। হৌজিকমক্কী ওইনদি গ্রুপ অসি মপুং ফাবা সোসাইটি অমা ওইনা রেজিষ্টার তৌদুনা থবক তৌবা নত্তে। ইচম চম্না নিয়ম চুম্না থবক শূরগা পৈশা তান্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা পুশিল্লগা থবক তৌমিন্নবনি হায়খি।

গ্রুপ অসিগী মেম্বর খুদিংমক্না মশাগী পোৎলম য়োনবদা য়ামদ্রবদা চাংচৎ ওইনা থাদা লুপা লিশিং কুন্দগী তাদনা তানবা ঙম্লবসু অনৌবা থবক তৌনিংবগী ৱাখল খনবদি লেপত্রি। গ্রুপ অসিনা ফিরোল খত্তা য়োনবগী মহুৎতা ইনশাং নাপিশিংসু য়োনবা পাল্লি। ফিরোল য়োনবা লোইরবা মতুং পুং খরদা ওইরবসু চানবা পোৎলমশিং মরু ওইনা মনা–মশিং পুল্লপ পুল্লপ পুদুনা চৎলগা কৈথেল মচা অমগুম মফম হোং–হোংদুনা য়োনবা পাল্লি। খল্লিবা ৱাখল অসিনা থবক ওইনা পাংথোকপা ঙম্লবদি অখন্নবা কৈথেল নুমিৎ অদুদা মনাক নকপদা লৈবা মীয়াম্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তান্না লাক্তুনা পোৎ তিক্রুবসু য়াগনি। চখোক–চৎশিন অমদি অমম অথেংগী খূদোংচাদবশিং অদু খরা হন্থবা ঙমগনি। গ্রুপ অসিনা তৌগে খল্লিবা পুন্নমক অসি মীয়াম্না মপুং ফানা তেংবাংবিরবা অমসুং শৌগৎপীরবা মতমদতা ওইথোক্কদৌরিবনি।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি গ্রুপ অসিদা লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়া শিনফম অচৌ মচা খায়দনা থবক শুবসিনি। মখোয়গী মরক্তা লাইরিক তমদুনা অমদি কম্পিটিটিভ এগজাম কয়াসু থানবা কন্না হোৎনবসু য়াওরি। মীরমদা লাইরিক তম্নুরবা থবক্তি ফংহৌদ্রবা, ইমুংগী পোৎলম পুনবা হোৎনবদা নিংবা কায়না লাইরিক নিংথিনা তম্বা ঙমহৌদ্রবা, সরকারগী লোইশঙদা কেজুয়েল ওইনা থবক তৌরম্লবা কয়ানা পুনশিন্নদুনা গ্রুপ অমা শেমগৎতুনা নিয়ম চুম্না থবক শূদুনা, হুমাং মমলগী মরলতনা হিংনবগী অশেংবা ইরালনি খন্দুনা শারবা কালেনগী মৈশা, ঈংলবা নিংথমথাগী উলেন অমদি নোংজু হায়বদু করিনো খংদনা মোমোন নোক্তুনা ইমুং অমগী মীওইগুম নুংশিনা থবক শূমিন্নবা কাঙবু অসিগী মতৌ মীয়াম্না তমজনফমদি ওইরবনি।

নোংমগী চরা তাল্লিবশিং নাচুংনরক্ত্রে

অনীসিদদি ফনা চাওবা লূপ কয়ানা অমদি লালহৌবা লূপনা কৌবা জেনরেল ষ্ট্রাইক নৎত্রগা বন্দদা থোইনা নাচুংনদবা মানবা মওং অমা লাক্লে।

ঙসি কৌখিবা বন্দ মনুংদা পোৎ য়োন্দুনা নোংমগী চরা তাল্লিবী পোৎয়োনবী অমনা ফোংদোরকপদা, ঙসি কৌরিবা বন্দ অসি উশিৎতদুনা কৈথেলসিদা পোৎ য়োনবা থোক্লকপা নত্তে। হিংনবগী উপাই লৈতদুনা মনা–মশিং অমদি হৈরা অসিবু য়োন্দুনা পৈশা ওন্থোকপা ঙমগদ্রা খন্দুনা থোক্লকপনি। ফিরোল, চেং–হৱাই ওইরবদি পৎ পুমদুনা মাংগদবসু লৈতবনিনা বন্দ অসিবু শৌগৎপসু য়াই। অদুবু মনা–মশিং হায়বসিদি নোংমা য়োলহৌদ্রবদি মথংগী নুমিৎতা পৎ পুমদুনা নৎত্রগা খুইথরকপা মরম্না শেল মাংদনবা হোৎনবনি।

শেঞ্জাও পায়বা ইমুংশিংদদি নোংমগী শুরগা চরা তানবা কাঙবুনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খূদোংচাদবশিং অসি খংবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না ফোংদোকখি।

Okram Napoleon
D. Saud
Sadananda
Joychandra
M.Samananda
W. Mustakim
Robinson

[illegible]

COCI

COMBINED COACHING INSTITUTE

URIPOK KHOISNAM LEIKAI, OPPOSITE OIL PUMP (IMPHAL)

A mission for a better society

ADMISSION OPEN

ADVANCED FOUNDATION COURSE (COHSEM & CBSE)

*CLASS XI & XII Sc.

Phy, Chem, Maths, Bio & Eng

SPECIAL FEATURES:

- *Analysis of the most probable Q with Ans for Final Exams, 2015*
- *Regular Sunday Unit Test Series*
- *Provided High Scoring Exam. Technique*
- *Vision for Toppers.*
- *Taught by well experienced Faculties.*
- *50% Fee concession for Physically challenged students.*

CLASSES COMMENCING ON 3rd APRIL, 2014

CLASS X (FC) - FIRST BATCH - Classes commenced

CLASS X (FC) - SECOND BATCH - Classes commencing from 1st Week of May

Facilities:

Separate Hostel for Boys & Girls and Van Service

ADMISSION FORM AVAILABLE FROM 04:30 a.m. TO 07:30 p.m.

CLASS SCHEDULE

Morning : 04:30 to 07:30 a.m.

Evening : 04:30 to 07:30 a.m.

FOR DETAILES PLEASE CONTACT: OFFICE, COCI

[illegible] – [illegible]

[illegible]



[illegible]

লমাই ১গী মখা

মে ১৩দা নৌনা গ্যাস মমল লাউথোক্লবা...

হেক লৌথোকখিবগা মে ১৩দগী খূদক্তা মীয়ামদা খংহন্নবা হায়খিবনি। হায়রিবা লেপ্লিবা তারিখ অসি মে ১২, ২০১৪দা লোক সভা মীখলগী অরোইবা ভোট থাদনবগী থবক হেক লোইরবা মতুং চৎনহনফম থোকপনি হায়না রিলাইয়েন্স ইন্দষ্ট্রিজ লিমিটেদকী প্রসিদেন্ট অমসুং সি ও ও বি গাংগুলিনা ভারত সরকারগী ওইল সেক্রেটরিদা ইখিবা চেরোল অমদা ফোংদোকখি। আর আই এলগী মায়কৈদগী হায়খিবদা মার্চ ৩১দা অহানবা চহী ৫গী প্রদক্সন কোর্স অদুদা য়ান্নখিবা মতুং ইন্না নোংপোক থংবা সমুদ্রগী শরুক্তা লৈরিবা কে জি–দি এস ফিল্ডদগী পুথোক্লিবা গ্যাসকী মমল অসি এম এম বি টি য়ু অমদা পাউন্দ ৪.২০৫ ওইবা হায়না য়ানখিবনি হায়রি।

অদুবু ইন্দিয়াগী মীখল পাংথোকপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা ই সি আইনা অনৌবা এপ্রিল তাং ১দগী চৎনগদবা গ্যাসকী মমল লেপকদবা থবক অসি ইলেক্সন মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লৈখিবা মরম্না য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা মতুংদগী ঙসি ফাওবা মমল অদুদা অদুম্মক চৎনদুনা লাকখিবনি হায়না এপ্রিল তাং ৩দা ওইল মিনিষ্ট্রিদা গাংগুলিনা ইখিবা চেরোলদা ফোংদোকখি।

মসিগী মতাংদা অনৌবা লেপ্পখিবা মমল অদু চৎনহন্নবা ফোংদোক্লিবা অসিনা থাউ পুথোক্লিবা কাঙবু অমসুং ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়ানদবা অসি চুমথোকপা ঙমগনি অমসুং মসিগী মথক্তা পি এস সিগী নিয়ম অদু থুগায়দনবা পোথোক পুথোক্লিবা প্রদুসর সিয়ারিং কন্ট্রেক্ট (পি এস সি) অদুগী মাংখিবশিং অদু কুপখৎনবগী কান্নবা অদু লৈহনগনি। মদু থুগায়রগদি তোঙান–তোঙানবা মায়কৈ কয়াদা অকায়বা কয়া লাক্কনি। হার পুথোক্লিবা কম্পনিশিংগী মায়কৈদগীদি নৌনা লেপ্পা মমল অদু চৎনহনগদনি হায়বা অকনবা ৱারেপ অমসু লৌখ্রবনি।

গ্যাস সেল–প্রসেস এগ্রিমেন্টকী মতাংদা সরকারদা লৈরিবা ক্রেদিট অমদি অতোপ্পা শেলফমশিং অদু য়াম্না লাইনা শিংদোকপা ঙমহন্নবা মতাং অমসু আর আই এলনা খন্দুনা লাক্লিবসি ইনখ্রিবা কন্ট্রেক্ট অদুদা য়াওখিবা পার্টিশিং অদুগী মায়কৈদগী ফোংদোকপা ওইবনা নৌনা রিভাইজ তৌরিবা মমল অসি ২০১৪গী এপ্রিল তাং ১দগী চৎনরগদি মাংলিবা শেনফম অদু কুপখৎপা ঙম্লমগদবনি হায়না কেম্পনি অদুনা মখা তানা ফোংদোক্লদুনা করিগুম্বা অনৌবা মমল অসি এপ্রিল তাং ১দগী চৎনবা হৌবা তারগদি কষ্টমরশিংদগী লৌবা শেনফম অদুনা মাংখ্রিবা শেনফম অদু শোইদনা ফংবা ঙমহনগনি হায়না গভর্নমেন্টকী নোর্টিশ অদুদসু ফোংদোকখিবনি হায়রি।

মালেমগী টোপ য়ুনিভর্সিটি ২০০গী মনুংদা ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি অমত্তা চনবা ঙমদ্রিঃ প্রসিদেন্ট

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা থাক অমসুং মগুন অসি হেঙ্গৎহনগে হায়রবদি মহৈরোয় অমদি তাকপী–তম্বীরিবা ওঝাশিং থোং মান্নানা চৎমিন্নবা তাই। য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা অতোপ্পা স্টেটকী য়ুনিভর্সিটিশিংদগী নেম্না লৈবা নত্তে। মখোয়গী থোইদোক–হেন্দোকপা মতিক মগুন কয়াবু শিংথারদুনা হেন্না মাংলোমদা চংশিনবা ঙম্লকখিগনি হায়বগী থাজবা পীখি। মদুগী মমাংদা ভাইস চান্সেল্লার প্রোঃ ঐচ এন কে শর্ম্মানা ওকপগী ৱারোল পীখি।

[illegible] (Time to time rate changeable)

AVAILABLE BRICKS IN THE FOLLOWING PRIZE

Class	Rate	Brick	Amount	Gari Charge	Labour	Total
1st Rej.	Rs. 6.90	3000	Rs. 20700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 24300
1st Rej.	Rs. 6.90	2000	Rs. 13800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 16200
1st Rej.	Rs. 6.90	1500	Rs. 10350	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 12200
Peti	Rs. 6.90	3000	Rs. 20700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 24300
Peti	Rs. 6.90	2000	Rs. 13800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 16200
Peti	Rs. 6.90	1500	Rs. 10350	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 12200
3rd	Rs. 3.70	3000	Rs. 11100	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 14700
3rd	Rs. 3.70	2000	Rs. 7400	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 9800
3rd	Rs. 3.70	1500	Rs. 5550	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 7400
2nd	Rs. 8.90	3000	Rs. 26700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 30300
2nd	Rs. 8.90	2000	Rs. 17800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 20200
2nd	Rs. 8.90	1500	Rs. 13350	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 15200
1st	Rs. 9.50	3000	Rs. 28500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 32100
1st	Rs. 9.50	2000	Rs. 19000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 21400
1st	Rs. 9.50	1500	Rs. 14250	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 16100

Contact:- 9856052197, 9862048579 (Sunday closed & Phone switch off)

PIS Brick Field (Machanised). Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.